HUEIYEN LANPAO

# মিলিটরি জুন্টা লাকখ্রবা মতুং ম্যান্মারদা অঙাং ৭৫ হাৎখ্রে, কয়া অমনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে



জেনেভা, জুলাই ১৬ (এজেন্সী) :
ম্যান্মারদা মিলিটরিনা কু তৌদুনা পব্রার পায়শিনখিবা থা ৫ হেল্লকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অদুদা মিলিটরিনা চত্থখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংনা মরম ওইরগা চহী নৌরিবা অঙাং ৭৫ শিহনখ্রে অদুগা মীওই লীশিং কয়ানা ফাজিন্দুনা থল্লি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সগী রাইটস এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এন চাইল্ড রাইটস কম্মিটিনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা য়ু এননা ম্যান্মারদা ওইরিবা চরাংনবগী থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা থিজিল্লুবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চহী নৌরিবা অঙাং ৭৫ মিলিটরিনা হাৎখিবগা লোয়ননা অঙাং ১,০০০ রোম ফাজিন্দুনা থল্লি হায়বা খঙলকপনি।

ম্যান্মারদা লৈরিবা চহী নৌরিবা অঙাং কয়া মিলিটরিনা ওৎ নৈবগী চৈথেং কয়া ফংলি। মসিনা মরম ওইরগা অঙাং শিবগী মশীং মখা তানা হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না কম্মিটি অসিগী চেয়রমেন মিকিকো ওটানিনা ফোঙদোরক্লি।

মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চিবু লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা নম্ফুদা মফমদগী লৌথোকখ্রবা মতুং হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী মিলিটরি জুন্টা লাকখিবনি। নুমিৎ অদুদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা মিলিটরিগী মায়োক্তা লৈবাক অদুগী মীওইশিংনা পেন্দবগী খোল্লাউ কয়া লাউবগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাক্লি। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম তম্না মিলিটরিনা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চহী নৌরিবা অঙাংশিং য়াওনা মীওই ৮০০ লোম শিখ্রে অদুগা ৫,০০০ রোম ফাজিন্দুনা থমখ্রে।

ম্যান্মারদা মিলিটরিনা অঙাং হাৎপগী থবক চত্থরিবা অদুবু য়ু এন চাইল্ড রাইটস কম্মিটিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা য়ুম য়ুমদা চঙদুনা মিলিটরিনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং হাৎপগী থবক খুদক্তগী লেপক্কদবনি হায়রি। শিখ্রবা অঙাংশিং অদুগী মনুংদা শুপ্নতংগী চহী ৬ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমসু য়াওরি। মন্দলেদগী চহী নৌরিবী নুপীমচা অসি পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্পগী থৌদোক্তা মবুক্তা পান্দুনা শিখিবনি।

কম্মিটি অসিনা অঙাং হাৎপগী থৌদোক কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা চহী নৌরিবা অঙাংশিংবু ফাজিন্দুনা থন্বগী থৌওং অদুবুসু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা অঙাংশিং থাদোরক্কদবনি হায়রি। মন্দলেদা মিলিটরি জুন্টাগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা অহলশিং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবগীদমক মিলিটরিনা মখোয়গী মচাশিং ফাবগী থবক চত্থখিবা হৌরকখিবনি হায়রি।

# সাউথ অফ্রিকাদা থোক্লিবা তংদু লৈতাদবগী থৌদোক অসি প্লান তৌরগা চত্থরকপনি: প্রসিদেন্ট

দরবান, জুলাই ১৬ (এজেন্সী) :
সাউথ অফ্রিকাদা চয়োল অমা হেন্না তোঙান তোঙানবা মখলগী পামদবা থৌদোক কয়া থোরক্লিবা অসি হান্ননা প্লান তৌরগা থোকহল্লকখিবা থৌওং অমনি হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট সিরিল রমাফোসানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা থিগৎপগী থবক চত্থবা হৌখ্রে হায়রি।



থা অসিগী ৯ দা লৈবাক অদুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জেকোব জুমাবু কোর্ট অমনা করপসনগা মরী লৈননা থা ১৫ গী ফাদোক পীখ্রবা মতুং জেলদা থাজিনখিবনি। হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা জেলদা থাজিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সাউথ অফ্রিকাগী তোঙান তোঙানবা প্রোভিন্স খরদা মীয়ামগী ওইবা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। খোঙজং চঙশিনবগী মিংদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা রেষ্টুরেন্টশিং অমদি সোপ্পিং মোল কয়া খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা থুগাইদুনা লুট তৌবগী থবক চত্থরক্লি। মসি হান্ননা প্লান তৌরগা চত্থরকপা থৌওং অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

হীরম অসিগী মতাংদা থিগৎনবগীদমক শেমখিবা টিম অমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না অসিগুম্বা লোনা য়াদবা থবক থৌওংশিং অসি চত্থবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা মীওই খরগী মশক খঙবা ঙম্লে। লৈবাক অসিদা অসিগুম্বা মখলগী পামদবা থৌদোকশিং মখা তানা থোকহন্দনবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা এক্সনশিং চপ চানা লৌখৎপা হৌরগনি। অমদি থৌদোকশিং অসিদা চেন্নে হায়রিবা মশক খঙবা ঙম্লবা মীওইশিং অদুসু অথুবা মতমদা ফানবা হোৎনরগনি।

সাউথ অফ্রিকাদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী ইকনমিগী ফীভমদা চাওনা চৈথেং পীবা হৌরকখিবতা নত্তনা পুলিস অমদি খোঙজংলোয়শিং মুক্রবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১১৭ শিখ্রে। হায়রিবা মীওইশিং অসি পুলিসনা ঈরাং নমথনবা হোৎনবদা নোংমৈনা কাপ্পদগী অমদি লুট তৌনবা হোৎনরিঙৈদা পুলিসনা কাপ্পদগী শিখিবনি।

হৌজিক হৌজিক মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না কন্না খোঙজং চঙশিল্লিবা ক্বাজুলু-নাটাল প্রোভিন্সতা প্রসিদেন্ট সিরিল রমাফোসা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। মফম অদুদা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়ামশিং অদুদা মহাক্না তংদু লৈতানা লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোর্টকী ওর্দরবু ঈকায়খুম্নবা উৎকদবনি হায়না খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়ামশিং অদুদা ফোঙদোকখি হায়রি।

অমরোমদা গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা সোপ্পিং মোল অমদি রেষ্টুরেন্টশিং লুট তৌবগী থৌদোক্তা মরু ওইনা চেন্নবা মীওই অমা ফারে অমদি মীওই ১১ গী মথক্তা য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবগী থবক চত্থরি। কা হেন্না ঈরাং থোক্লিবা মফমশিংদা লৈঙাক্না মখা তানা অহেনবা ক্রুপশিং থাজিনবা হৌখিবগা লোয়ননা মকোক থোংবা মিলিটরি ওফিসলশিংনসু হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# বস পোকখায়খিবগী থৌদোক মরিক চুম্না থিজিনগনি: ইম্রান খান

ইস্লামাবাদ, জুলাই ১৬ (এজেন্সী) :
হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাকিস্তানগী খাইবর পাকথুনখ্বা প্রোভিন্সতা চাইনিজ ইঞ্জিন্নিয়রশিং পুদুনা চৎখিবা বস অমা পোকখায়খিবগী থৌদোক্তা চাইনিজ সিটিজন ৯ শিহনখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা পাকিস্টান লৈঙাক্না মখোয়গী অঙন্বা পাঙ্গল শীজিন্নদুনা মরিক চুম্না থিজিনবগী থবক চত্থগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খানন মহাক্না থাক মান্নবা চাইনাগী প্রেমিয়র লি কেকিয়াংদা ফোঙদোকখ্রে।

টেলিফোনগী খুত্থাংদা চাইনিজ প্রেমিয়র অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খানন বস কায়বগী থৌদোক থিজিনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং করিগুম্বা বস পোকখায়খিবগী থৌদোক অদু কনাগুম্বা মীওই খরগী খুজিন থৌরাং ওইরম্লবদি মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মতাংদসু মহাক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। চাইনা লৈবাক অসি চহী কয়াগী মমাংদগী পাকিস্টানগা খ্বাইদগী নক্কবা অফবা মরী লৈবা লৈবাক অমা ওইদুনা লাক্লি। লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরীদা অকায়বা লাক্তনবগীদমক পাকিস্টানগী মায়কৈদগী হোৎনবা য়াবা হোৎনগনি।

পাকিস্টাননা টেরোরিষ্টকা মরী লৈনবা থবক থৌওংশিংদা কৈদৌনুংদা শৌগৎপা তৌরোই। টেরোরিষ্টপু মালেমগী লৈমায়দগী মপুং ফানা মুথৎনবা হোৎনরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা পাকিস্টনসু অমনি। চাইনিজ ইঞ্জিন্নিয়রশিংনা মতম কয়াগী মমাংদগী পাকিস্টানদা পায়খৎপা প্রোজেক্ট কয়াদা মতেং পাংদুনা লাক্লি। চাইনানা পাকিস্টানদা থল্লিবা থাজবশিং কৈদৌনুংদা লৈবাক অসিনা মাঙহনবা তৌরোই।

বস পোকখায়খিবগী থৌদোক অদু গ্যাস লীগ ওইরকপদগীনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু চাইনিজ লৈঙাক্না থৌওং অদুবু টেরোরিষ্টকী থৌওংনি হায়না ক্লেম তৌখিবনি। চাইনানা মখা তানা পাকিস্টানদা অনৌবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎনবা শেম শাদুনা লৈরি। মসিগীদমক চাইনিজ ইঞ্জিন্নিয়র কয়া পাকিস্টানদা মখা তানা থাজিল্লক্কবা হোৎনরি। পাকিস্টানদা লৈরিবা চাইনিজ সিটিজনশিংগীদমক পায়খৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং লৈবাক অসিগী মায়কৈদগী পায়খৎনবা শেম শাবা লোইরে হায়রি।

# নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা পুলিস ১ শিরে, ৩ শোক্লে

ৱাশিংটন, জুলাই ১৬ (এজেন্সী) :
টেক্সাসকী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা অপিকপা টাউন অমদা লৈবা য়ুম অমদা শক খঙদবা মীওই অমনা লুট তৌনবা হোৎনরিঙৈদা মনাক নক্না মথৌ তৌরম্বা পুলিস ওফিসর মরিনা চঙশিন্দুনা থিনবা হোৎনরুৱগী থৌদোক অমদা শকখঙদবা মীওই অদুনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী পুলিস ওফিসর অমা শিখিবগা লোয়ননা ৩ না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি লুবোক সিটিদগী কিলোমিটর ৫০ রোম চৎলগা লৈবা লেভেলেন্দদা থোকখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদুগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অমদি য়ুম অদুদা করি মরমগীদমক মহাক্না চঙশিন্নবা হোৎনরল্লিবনো হায়বগী মতাংদসু ময়েক শেংবা খঙবা ঙমখিদে। হীরম অসিগী মতাংদা টেক্সাস পুলিসনা অকনবা মওংদা থিজিনবগী থবক চত্থবা হৌখিবগা লোয়ননা শকখঙদবা মীওই অদুনা চঙনবা হোৎনরল্লিবা য়ুম অদুগী মীওইশিং লৌখত্তুনা ৱারী শাবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে হায়রি।

# রেফ্যুজিশিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্নবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে



ধাকা, জুলাই ১৬ (এজেন্সী) :
বংলাদেশতা হৌজিক হৌজিক চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিংজা রিফ্যুজিশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোক্নবগীদমক বংলাদেশ ওথোরিটিনা শেম শাবা হৌখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী সেনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মথং থাদগী রেফ্যুজি কেম্পতা লৈরিবা রোহিজাশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোক্নবগীদমক শেম শাবা লোইশিল্লক্লে। অহানবগী ওইনা চহী ৫৫ গী মথক্তা লৈবা রেফ্যুজি ৫০,০০০ রোমদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী এজেন্সিশিংগা খূৎশম্নরগা হীদাক কাপথোকপগী থবক চত্থরগনি। অদুগা লেমহৌরিবা রেফ্যুজিশিং অদুনা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী দোজ মরাং কায়না লৈরবা মতমদা কাপ্পগী থবক চত্থবা হৌগনি হায়রি।

বংলাদেশকী কোক্স বজারদা হৌজিক হৌজিক রোহিংজা রিফ্যুজি লাক্ষ ৫ রোম হেন্না চঙজফম লৌদুনা লৈরি। হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা রখিন ষ্টেটতা থোকখিবা ম্যান্মার মিলিটরিগী কা হেনবা মীওৎ মীনৈ খাঙবা ঙমদবদগী য়ুমথংনরিবা লৈবাক বংলাদেশতা রোহিংজা মুস্লিম ৭,৫০,০০০ রোম চঙজফম লৌদুনা লৈরকখিবনি হায়রি।

# সাইবেরিয়াদা রসিয়ন প্লেন অমা মফম খঙদনা মাঙখ্রে

মোস্কো, জুলাই ১৬ (এজেন্সী) :
রসিয়াগী এন্তোনোভ এন-২৮ পেসেঞ্জর প্লেন অমা ঙসি সাইবেরিয়ান রিজনগী তোমস্কতা রদারদগী মফম খঙদনা মাঙখ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিং অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পেসেঞ্জর প্লেন অদু মীওই ১৩ দগী ১৭ ফাওবা তোংলম্বা য়াবগী থাজবা লৈ। চয়োল অনীরোমগী মমাংদা এন্তোনোভ এন-২৬ অমা রসিয়াগী কামচৎকা পেনিন্সুলাদা ৱেদর ফত্তবনা মরম ওইরগা কায়বগী থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুং হায়রিবা পেসেঞ্জর প্লেন অসি মাঙবগী থৌদোক থোকখিবনি। প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা মীওই ২৮ লোম শিখিবনি।

এন্তোনোভ পেসেঞ্জর প্লেন কায়বগী থৌদোক অসি রসিয়াদা য়াম্না তোয়না থোক্লি। হৌখিবা কুজজা ২০১২ দসু অসিগুম্বা মখলগী প্লেন অমা কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ১০ শিখি। রসিয়ান এভিয়েসননা সেফটি ষ্টেন্দরশিং ইমপ্রুভ তৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রবসু হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিদা প্লেন কায়বগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোক্লি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মাঙখিবা প্লেন থিবগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরি।

# মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | New Recovered | Population |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 189,890,422 | +183,987 | 4,085,922 | +3,175 | +120,963 | |
| 1 | USA | 34,887,720 | +565 | 624,221 | +7 | +122 | 333,013,743 |
| 2 | India | 31,026,829 | +954 | 412,563 | | +7,570 | 1,394,049,821 |
| 3 | Brazil | 19,262,518 | | 539,050 | | | 214,124,538 |
| 4 | Russia | 5,907,999 | +25,704 | 146,868 | +799 | +21,932 | 145,999,368 |
| 5 | France | 5,833,341 | | 111,429 | | | 65,423,274 |
| 6 | Turkey | 5,507,455 | | 50,415 | | | 85,278,355 |
| 7 | UK | 5,281,098 | | 128,593 | | | 68,255,544 |
| 8 | Argentina | 4,719,952 | | 100,695 | | | 45,625,170 |
| 9 | Colombia | 4,583,442 | | 114,833 | | | 51,444,225 |
| 10 | Italy | 4,278,319 | | 127,840 | | | 60,369,577 |
| 11 | Spain | 4,069,162 | | 81,084 | | | 46,773,562 |
| 12 | Germany | 3,748,367 | | 91,863 | | +800 | 84,061,671 |
| 13 | Iran | 3,485,940 | +21,885 | 86,791 | +199 | +15,601 | 85,105,104 |
| 14 | Poland | 2,881,241 | +93 | 75,205 | +14 | +88 | 37,803,604 |
| 15 | Indonesia | 2,780,803 | +54,000 | 71,397 | +1,205 | +28,079 | 276,517,296 |
| 16 | Mexico | 2,629,648 | +12,821 | 235,740 | +233 | +6,580 | 130,334,860 |
| 17 | South Africa | 2,253,240 | | 65,972 | | | 60,082,288 |
| 18 | Ukraine | 2,243,605 | +737 | 52,702 | +17 | +616 | 43,460,924 |
| 19 | Peru | 2,088,143 | | 194,845 | | N/A | 33,446,870 |
| 20 | Netherlands | 1,766,102 | | 17,773 | | | 17,174,184 |
| 21 | Czechia | 1,670,583 | +227 | 30,335 | | +4 | 10,729,582 |
| 22 | Chile | 1,594,496 | | 34,207 | | | 19,286,119 |
| 23 | Philippines | 1,496,328 | +5,676 | 26,476 | +162 | +2,670 | 111,089,701 |
| 24 | Iraq | 1,466,529 | | 17,707 | | | 41,153,944 |
| 25 | Canada | 1,422,246 | | 26,472 | | | 38,084,806 |
| 26 | Belgium | 1,102,069 | +1,453 | 25,208 | +1 | | 11,641,900 |
| 27 | Sweden | 1,094,287 | | 14,609 | | +34 | 10,164,508 |
| 28 | Romania | 1,081,539 | +72 | 34,250 | +2 | +81 | 19,104,413 |
| 29 | Bangladesh | 1,071,774 | | 17,278 | | | 166,387,872 |
| 30 | Pakistan | 983,719 | +2,327 | 22,720 | +31 | +956 | 225,322,087 |
| 31 | Portugal | 920,200 | | 17,187 | | | 10,165,852 |
| 32 | Malaysia | 893,323 | +12,541 | 6,728 | +115 | +6,742 | 32,794,988 |
| 33 | Israel | 849,654 | +380 | 6,443 | | +199 | 9,326,000 |
| 34 | Japan | 831,193 | +3,418 | 15,014 | +24 | +1,892 | 126,074,609 |
| 35 | Hungary | 808,725 | +64 | 30,015 | +2 | +362 | 9,634,894 |
| 36 | Jordan | 759,686 | | 9,872 | | | 10,307,989 |
| 37 | Serbia | 718,093 | | 7,078 | | | 8,700,837 |
| 38 | Switzerland | 707,976 | +619 | 10,902 | | +281 | 8,720,180 |
| 39 | Nepal | 664,576 | +2,006 | 9,506 | +43 | +1,775 | 29,678,241 |
| 40 | UAE | 657,884 | +1,530 | 1,892 | +7 | +1,487 | 10,014,043 |
| 41 | Austria | 653,001 | +341 | 10,728 | +1 | +113 | 9,059,644 |
| 42 | Morocco | 549,844 | | 9,418 | | | 37,363,248 |
| 43 | Lebanon | 549,427 | | 7,882 | | | 6,793,714 |
| 44 | Tunisia | 526,487 | | 17,009 | | | 11,946,622 |
| 45 | Saudi Arabia | 506,125 | | 8,035 | | | 35,374,368 |
| 46 | Kazakhstan | 477,754 | +5,648 | 4,864 | +48 | +3,012 | 19,009,097 |
| 47 | Ecuador | 472,722 | | 21,872 | | | 17,920,041 |
| 48 | Bolivia | 459,579 | +1,367 | 17,375 | +30 | +1,715 | 11,837,709 |
| 49 | Greece | 450,512 | | 12,795 | | | 10,370,196 |
| 50 | Paraguay | 442,207 | | 14,120 | | | 7,223,185 |

# টালিবানদা পাকিস্টাননা অচৌবা মতেং পাংই হায়না মরাল শীখ্রে



কনধাহার, জুলাই ১৬ (এজেন্সী) :
অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি টালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা ঙসিসু লৈবাক অদুগা পাকিস্টানগা তায়নবা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা স্পিন বোলদাকতা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নখিবগা লোয়ননা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা শোক্লবা টালিবান ফাইটরশিংবু পাকিস্টাননা মখোয়গী লৈবাক্তা চঙজফম পীবগা লোয়ননা ঙমখৈগী শরুক্তগী কিলোমিটর ৫ রোম চঙশিল্লগা লৈবা হোস্পিটাল অমদা ট্রিটমেন্ট চত্থদুনা মতেং পাংখি হায়না অফঘানগী ভাইস প্রসিদেন্টনা মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা টালিবান ফাইটরশিং অদুবু কন্নবা হোৎনবদা পাকিস্টাননা এয়রসপোর্ট পীখি হায়রি।

অমরোমদা অফঘানিস্টাননা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদুবু পাকিস্টান ওথোরিটিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা পাকিস্টাননা টেরোরিষ্টতা মতেং পাংবগী থবক চত্থখিবা লৈতে অমদি কৈদৌনুংদা চত্থরোই হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা অফঘান ওফিসলশিংগা ৱারী শান্নবগীদমক মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈ হায়রি। টালিবান ফাইটরশিংগী মীওইনি হায়জবা মুলা মহমদ হাসননা ফোঙদোরকখিবদা বোলদাকতা থোকখিবা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অদুদা টালিবান ফাইটর অমা শিখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংখি। মখোয় পাকিস্টানগী চমন খুঙ্গং মনাক্তা লৈবা হোস্পিটাল অমদা ট্রিটমেন্ট চত্থখি। টালিবাননা ঙমখৈগী শরুক অসিদা হান্নদগী লৈরম্বা অব্দুল রসিদ দোষ্টুমগী ফাইটরশিংনি অমদি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নখিবনি। মফম অদুদা হান্না খূৎলিংদুনা লৈরম্বা অব্দুল রসিদকী ফাইটরশিংবু টালিবান ফাইটরশিংনা মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা দোষ্টুমগী মিলিসিয়াশিং মফমদু থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে হায়না টালিবানগী ৱাঙাঙলোয় জবিহুলা মুজাহিদনা ফোঙদোরক্লি।

জোজানগী দিপ্যুটি গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবদা প্রোভিন্সিয়েল কেপিটেলগী গেট তম্না টালিবান ফাইটরশিংনা চঙশিল্লকপা ঙমখ্রে অদুমওইনমক গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা টালিবান ফাইটরশিংবু মফমদুদগী তকথোক্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। পনবা য়াবদি ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা বেলদাকতগী পাকিস্টানদগী বোলোকিস্টান প্রোভিন্স তম্না দাইরেক্ট চঙশিনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং লৈরি।


ওফিস ওফ দ কম্মান্দেন্ট
২৫শুবা বি এন, ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস ফোর্স
৩২ মাইল, পি. ও.-টেজু, দিষ্ট্রিক্ট-লোহিট (অরুনাচল প্রদেশ)

মীয়ামদা খঙহঞ্জবা

মীয়ামদা খঙহঞ্জরি মদুদি নম্বর ১৪০২৭০৬১৪ কন্সটেবল (জি দি) জাংমিনথাং হাওকিপ 'এফ' কোই, ২৫শুবা বি এন, আই টি বি পি এফতা ০৪.০১.২০২১ দগী ০২.০২.২০২১ ফাওবা নুমিৎ ৩০ নিগী আর্নদ লিভ তারিখ ০৩.০১.২০২১ গী ওনৱার্দ জে পি অমসুং তারিখ ০৩.০২.২০২১ গী রিটর্ন জে পিগা লোয়ননা সেঙ্কসন তৌখি। অদুনা, হায়রিবা লিভকী মতম অসি লোইখ্রবদি মহাক ০৩.০২.২০২১ দা দ্যুটিগীদমক অমুক রিপোর্ট তৌফম থোকপনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না অপিবা নুমিৎ হায়বদি ০৩.০২.২০২১ দা রিপোর্ট তৌরকখিদে অমসুং কম্পিটেন্ট ওথোরিটিগী পার্মিসন য়াওদনা ০৪.০৩.২০২১ দগী হৌজিক ফাওবা মঙোন্দা পীখিবা লিভকী মতমদগী শাংথনা লৈথোক্লি।

২. ওফিস মেমোরেন্দম নম্বর ৯৮২-৮৩ তারিখ ১৩.০৩.২০২১ ও. এম. নম্বর ১৩০৬-০৯ তারিখ ২৫.০২.২০২১ অসিগী খূত্থাংদা নম্বর ১৪০২৭০৬১৪ কন্সটেবল (জি দি) জাংমিনথাং হাওকিপ 'এফ' কোই ২৫শুবা বি এন, আই টি বি পি এফতা দ্যুটিগীদমক খুদক্তা রিপোর্ট তৌরক্নবা খঙহনখি। মসিদা নত্তনা এবসেন্টি অসিগী মপাদসু মহাক্কী মচানুপা দ্যুটিগীদমক য়ুনিট অসিদা খুদক্তা থারক্নবসু খঙহনখ্রে। তৌইগুম্বসুং মথক্তা পল্লিবা ইন্দিভিজ্যুএল অসিনা দ্যুটিগীদমক রিপোর্ট তৌরকপসু লৈতে, মহাক কদায়দা লৈবগে হায়বগী মতাংদা ওফিস অসিদা পাউ পীরকপসু লৈতে।

৩. এবসেন্টি অসিনা দ্যুটিগীদমক রিপোর্ট তৌরদবদগী লেট্টর নম্বর ২৩৯-৪১ তারিখ ০৩.০৩.২০২১ অসি ইদুনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট (মণিপুর)গী এস পিদা মহাকপু ফারগা মথৌ তাবা এক্সন লৌখৎনবগীদমক্তা কম্মান্দেন্ট, ২৫শুবা বি এন, আই টি বি পুলিস ফোর্সতা শিন্ননবা হায়জখি।

৪. আই টি বি পি এফ এক্ট, ১৯৯২ গী সেক্সন ৭৪ (১) গী প্রোভিজন মখাদা ওর্দর নম্বর ৩১৯ তারিখ ১৫.০৩.২০২১ থোক্তুনা কোর্ট ওফ ইনক্বাইরি অমা ওর্দর তৌখি। কোর্ট ওফ ইনক্বাইরি অদুনা থীজিল্লবা মতুংদা মহাক ফোর্স অসিদা সর্ভ তৌনিংদে হায়না লেপ্পগা লোয়ননা মহাকপু মখা তানা ফোর্স অসিদা থম্বা হায়বসি ফোর্স অসিগী অফবা ওইরোই হায়না রিকমেন্দ তৌখি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মহাক ফোর্স অসিবু থাদোক্লবা 'দিজার্টর' নি হায়না লাউথোকপা য়াই। অসুম্না, আই টি বি পি এক্ট, ১৯৯২ গী সেক্সন ৭৪ (২) গী প্রোভিজন মখাদা মহাক তারিখ ১২.০৪.২০২১ দা থোকপা ওফিস ওর্দর নম্বর ২২২৮-৪০ অসিগী মতুং ইন্না, মহাক এবসেন্ট ওইখিবা তারিখতগী 'দিজার্টর' নি হায়না লাউথোক্লে।

৫. কোর্ট ওফ ইনক্বাইরিগী রিপোর্ট চেকশিন্না খন্নরবা মতুংদা, মখাদা সাইন তৌরিবা অসিনা নম্বর ১৪০২৭০৬১৪ কন্সটেবল (জি দি) জাংমিনথাং হাওকিপ, 'এফ' কোই, ২৫শুবা বি এন, আই টি বি পি এফ অসি সর্ভিস/ফোর্স অসিদা মখা তানা থম্বদা মতিক চাদ্রে হায়না ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা আই টি বি পি এফ রুলস, ১৯৯৪ গী রুল ১৭ অমসুং রুল ২০ গী প্রোভিজন মখাদা মহাকপু সর্ভিসতগী টর্মিনেট তৌনবা প্রপোজ তৌখি।

৬. মরম অদুনা হৌজিক নোটিস অসি ফোঙবদগী নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা মশা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌরদ্রবদি সর্ভিসতগী দিসমিস তৌরগনি হায়না সি টি/জি দি জাংমিনথাং হাওকিপ, অপোকপা এসঐচ থোং খোলোন ভিলেজ-পাটলেন, পি.ও.-চুরাচান্দপুর, পি এস-চুরাচান্দপুর, টেহসল-সাগর, দিষ্ট্রিক্ট-চুরাচান্দপুর (মণিপুর), পি আই এন - ১৯৫১২৮ দা খঙহল্লি।

(দেওনাথ রাই)
কম্মান্দেন্ট
২৫শুবা বি এন, আই টি বি পুলিস ফোর্স

davp 19112/11/0051/2122